# য়ু এস সেঙ্কসন থৌওইদনা ইন্দিয়ানা ইরানদগী থাউ মখা তানা ইমপোর্ট তৌরবা য়ারি



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৪ ঃ***

য়ু এস সেঙ্কসনশিং থমজিল্লক্তুনসু মদুগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা ইরানগা লৈনবা মরী লেঙদনা থন্নবগী লম্বী থিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগুম্বা ইরানদগী থাউ লৌরিবা মরু ওইবা লৈবাকশিং অসিনা য়ু এস সেঙ্কসনশিং নাথৈদুনা থন্নবা লম্বী অমা ফংনবা হোৎনরি অমসুং ইরান ওইল লাইনশিং হাংদোক্তুনা থন্নবা হোৎনরি হায়না ঙরাং লন্দনদা লৈবা ইন্টর্নেস্নেল লো ফার্ম অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসিয়েল লীখুনশিংগী মতূং ইন্না ইরানগী ন্যুক্লিয়ার দিলদগী অমেরিকানা তোকখিবা মতূংদা ইরানগী মথক্তা থমজিল্লকখিবা য়ু এস কী ইকোনোমিক সেঙ্কসনশিং অদুনা ইন্দিয়াগী ইকোনোমিদা ফৎতবা ওন্ন-তৈনবা ফল তাহনগনি হায়বসি য়ু এস তা য়াহন্নবা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নবু হোৎনহন্নবতা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী অমা ফংনবা ইন্দিয়ানা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন (ই য়ু) মেম্বরশিংগা খন্নরি হায়রি।

য়ু এস না মখোয়গা চৎমিন্নরিবা খোঙবু লৈবাকশিংদা ইরানগী মথক্তা সেঙ্কসনশিং থন্নবা কন্না শাফু পীরক্লবসু চিনা অমসুং ইন্দিয়া য়াওনা ইরানগী মরু ওইবা ইনর্জি কষ্টমরশিংনা য়ু এস কী হায়জবা অদু ইন্নিংদবগী ঈঙ্গিৎ পীরকখ্রে হায়না জাইৱাল্লা এন্দ কম্পেনি কৌবা লো ফার্ম অসিগী মেনেজিং পার্টনরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক ইরানগা ওইল সপ্লাইগীদমক কম্পিটিটিভ এগ্রিমেন্ট অমা-য়ু এস কা চাংদম্নদুনা য়েংবদা পার্সিয়ান গল্ফতগী থাউ চিংথোকপগী মমল খ্বাইদগী নেমহনবা অদুগী মতাংদা য়ান্নখ্রে অমসুং ইরাননসু থাউগী মমল অদু মতম কুইনা শোৎপা য়াহনবা অমসুং কোন্না পীবদা য়াখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়াগী মথৌ তারিবা ইনর্জিগী চাদা ৮০ হেন্না ইমপোর্ট তৌরিবা লৈবাক অসিগীদমক ইরাননা খ্বাইদগী চাওবা অহুমশুবা ওইল সপ্লাইয়র ওইরকখ্রে। মরম অদুনা তুং কোইনগী য়েংবদা মমল খেৎনবশিং অসি য়াম্না কান্ননিংঙাই ওই হায়রি।

চিনা অমসুং ইন্দিয়া য়াওনা লৈবাক কয়ামরুমনা ইরানদগী থাউ ইমপোর্ট তৌবা পুল্লপ লেপ্পা হায়বসি য়ানিংদবা অমসুং মদুগী মথক্তা ইরোপিয়ান য়ুনিয়ন্নসু ইরান ন্যুক্লিয়ার দিলদগী তোকপগী ৱাফম অদু শৌগৎলু হায়বা য়াখিদবগা লোয়ননা হৌজিক য়ু এস কী ফিভম অসি ইরানগী কষ্টমরশিংগা নেগোসিয়েট তৌনদুনা থাউ ইমপোর্ট তৌবদু খরদা ওইরবসু হন্থনবা হায়বগী ফিভমদা লৈরে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারি।

লৈরিবা ৱাথোকশিং অসি য়ু এস সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও অমসুং য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরী জেমস মেট্টিসনা মথং থাদা মখোয়গী ওফিসিয়েল খোঙচৎশিংদা ন্যু দিল্লিদা লাকপা মতমদা পুখৎলবা য়ারি।

# হরিয়ানাদা দলিটশিং হাৎখিবগী কেসতা হায় কোর্টনা পুন্সিচুপ্পগী জেলগী চৈরাক ফংগদবা ১২ য়াওনা মীওই ৩৩ বু কনভিক্সন পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৪ ঃ***

হরিয়ানাগী হিসার দিষ্ট্রিক্টতা ২০১০ দা দলিটশিং হাৎখিবগী কেসতা দিল্লি হায় কোর্টনা ঙসি মীওই ৩৩ মরাল ফংলে হায়না কনভিক্সন পীখ্রে মখোয়গী মনুংদগী ১২ বু পুন্সি চুপ্পগী জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রে।

তমথিরবা থৌদোক অদু ২০১০ গী এপ্রিল ১৯ দগী ২১ ফাওবগী মনুংদা মিরচপুরদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা জাত কাঙলুপকী মীওইশিংনা মশাগী চহী ৬০ শুরবা দলিট অমা অমসুং মাগী হকচাংগী ফিভম শোয়নাইরবী মচানুপীবু হিংনা মৈ থাদুনা হাৎখি।

দিল্লি হায় কোর্টকী ঙসি পীখিবা ৱায়েল অদুদা আই পি সি গী অমসুং এস সি/ এস টি (প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটিজ) এক্টকী মখাদা মী হাৎপা য়াওনা অতৈ মরালশিংগীদমক কনভিক্ট ৩৩ গী মনুংদগী ১২ বু পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি।

জষ্টিস এস মুরালিধর অমসুং জষ্টিস আই এস মেহতানা শাবা বেঞ্চ অমদা ফোঙদোকখিবদা নীং তম্লবা চহী ৭১ গী মতূং অসি ফাওবদা অচৌবা অমসুং মথক থোংবা কাঙলুপশিংনা সেদুল কাষ্টশিংগী মথক্তা তমথিবা মীওৎ-মীনৈ চত্থবগী থৌদোকশিং হন্থবা লৈতে হায়বসি উৎলে হায়খি।



*আগষ্ট ২৪, ২০১৮ ইরাই নুমিত্তা হিসারদা লৈবা ফার্ম হাউস অমদা সেক্যুরিটিনা ঙাক-শেনবা কেম্প অমগী মনুংদা ফমদুনা লৈরিবা মিরচপুরগী দলিটশিং*

কেস অসিদা ট্রাইয়েল কোর্ট অমনা পীরকখিবা চৈরাক শীংনদুনা থাঙ্গৎলকখিবা মীওই ১৯ গী আপিলগী মতাংদা ঙসিগী রাই অসি দিল্লি হায় কোর্টনা লাওথোকখি।

ট্রাইয়েল কোর্ট অদুনা সেপ্টেম্বর ২৪, ২০১১ দা জাৎ কাঙলুপকী মীওই ৯৭ কী মনুংদগী ১৫ বু কনভিক্সন পীখি। কনভিক্ট ২ দি আপিলশিং অসিগী অরোয়বা লৈখাই তাদ্রিঙৈগী মনুংদা শিখ্রে। ওক্টোবর ২০১২ তা ৯৮ শুবা এক্যুজ অদু ট্রাইয়েল কোর্ট অদুনা ৱায়েলখি অমসুং মরাল লৈতে হায়না থাদোকখি।

খুঙ্গং অদুগী জাত কাঙলুপকা দলিট কাঙবুগী মরক্তা খৎনবগী থৌদোক অমা থোকখিবগী মতূংদা ২০১০ গী এপ্রিল ২১ দা তারা চান্দগী য়ুম অদু মৈ থাখি অমসুং মদুদা মপা অমসুং মচানুপী হিংনা মৈ চাক্তুনা শিখি।

কেস অসি সুপ্রিম কোর্টকী পাউতাক মখাদা হিসারদগী দিল্লিদা হৌরকখিবনি। ট্রাইয়েল কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না হান্না থাদোকখ্রবা এক্যুজ ২০ বু দিল্লি হায় কোর্টনা মখোয় মরাল লৈবশিংনি হায়না চৈরাক পীখি।

ট্রাইয়েল কোর্টকী ৱায়েলদা থৌদোক অদুদা ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি লৈতে হায়বদু লোদা চৎনবা য়াদে। ফংলিবা ফোটোগ্রাফশিং, ভিডিওগ্রাফশিং অমসুং সাইট প্লানশিং অদু একজামিন তৌবা ট্রাইয়েল কোর্টকী অশোয়বা লৈখি। কোর্ট অসিনা দিফেন্সকী মায়কৈদগী পুখৎলকপা থৌদোক অদুগী তোঙানবা ৱারোল অদুবু লৌখিবা অদু লাল্লি হায়না দিল্লি হায় কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা হায়খি।

বেঞ্চ অদুনা কনভিক্ট ২০ অদুবু সেপ্টেম্বর ১ নৎত্রগা মদুগী মমাঙদা সরেন্দর তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

করিগুম্বা সরেন্দর তৌরক্ত্রবদি হরিয়ানাগী নরনাউন্দগী ষ্টেসন হাউস ওফিসারনা মখোয়বু কষ্টদিদা পুরক্নবা মথৌ তাবা খোঙথাং পুন্নমক লৌখৎকদবনি হায়খি।

চান্দিগরদগী কিলোমিটর ৩০০ লোম লাপ্পদা লৈবা মিরচপুরদা এপ্রিল ২০১০ দা জাত কাঙলুপকী মীওইশিংনা দলিটকী য়ুম কয়া মৈ থাবদা মশাগী চহী ৭০ শুরবা তারাচান্দ কৌবা দলিট অহল অমা অমসুং মহাক্কী হকচাংগী ফিভম শোয়নাইরবী চহী ১৮ শুরবী মচানুপী শুমনবু হিংনা মৈ থাদুনা হাৎখি।

জাত কাঙলুপকী মীওইশিং অদুনা পুন্না চত্থরিবা হিংশাগী থবক অদুনা অনেম্বা কাষ্টকী মীওইশিং অদুগী ইমুং ২৫৪ বু মখোয়গী ময়ূম থাদোক্তুনা চৎহনখি অমসুং হৌজিক ফাওবা তেংবাঙ অমসুং ময়ূমদা অমুক হন্নবা ঙাইদুনা লৈরি। মখোয় ময়ূমদা হনবদা হৌজিক ফাওবা অকি-তুজুংবা পোক্লি হায়না কোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

# কেরলানা তেংবাঙ-ফন্দ খোমগৎনবা লোট্টরি তৌগদৌরি

***থিরুভনন্থপুরম, আগষ্ট ২৪ ঃ***

ঈচাওনা মাঙ তাক্লবা কেরলাগীদমক অৱা তেংবাঙগী অহেনবা ফন্দ খোমগৎনবা চীফ মিনিষ্টর'স দিষ্ট্রেস রিলিফ ফন্দ (সি এম দি আর এফ) না অখন্নবা লোট্টরি অমা পাঙথোক্লবা লাওথোকখ্রে হায়না ষ্টেট অসিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর থোমাস ইসাকনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা মেদিয়াদা হায়খি, লোট্টরি অসিগী টিকেট অদুগী মমল লুপা ২৫০ ওইগনি অদুগা ওক্টোবর ৩ দা লোট্টরি অসি শান্নগনি। মদুদগী ফংলকপা শেনফম পূন্নমক অদু সি এম দি আর এফ কী ওইগনি। লোট্টরি অসি 'অশৱাস' হায়দুনা মমিং থোনগনি অমসুং সেরিজ খুদিংমক্তা লুপা লাক্ষ ১ গী প্রাইজ লৈগনি।

অখন্নবা লোট্টরি অসিগী পান্দমদি করিগুম্বা টিকেট পূন্নমক য়োনবা তারবদি লোট্টরি অদু শীনবগী অচঙবা মমল পূন্নমক খাইদোকখ্রবা মতূংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী শেন্দোং ওইগদবা লুপা ক্রোর ১০০ গী ফন্দ ফংনবনি হায়রি।

মে ২৯ দগী কুমগী নোংজু হৌখিবা মতূংদগী ঈচাওদা ষ্টেট অসিদা মী ৩৭০ রোম শিখ্রে। পাক-শন্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। মী লাক্ষ ১০ হেনববু ময়ূম-মকৈ লৈহনখিদ্রে অমসুং রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈহনখ্রে।

# উত্তর প্রদেশকী ঈশিং ঈচাওদা ওইল তেঙ্কর ১ চেন্থখ্রে, মীওই ৩ থিবা খঙদ্রি

***লক্ষনৌ, আগষ্ট ২৪ ঃ***

ৱেদর ওফিসনা নোং কন্না চুথরকপা য়াই হায়না মীয়ামদা হান্ননা চেকশিন্নবা খঙহনখ্রবা নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেশকী বিজনোরগা উত্তরখন্দগা শন্নহল্লিবা ঈশিং ঈচাওনা থুন্নবা লম্বী অমদা হেভি ওইল তেঙ্কর অমগী ড্রাইভর অদুনা মহাক য়ান্না থুনা ঈচাও অদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনখি।

অদুবু ওইরিবা ফিভম অদুগী মতাংদা মহাক্না লৌরিবা ৱারেপ অদু অরানবা ওইরমখি অমসুং ঈশিং ঈচাওগী অকনবা ঈচেলনা হেভি ভিহেকল অদু অপাকপা অমসুং লৈখোম লৈনাংগী অকনবা ঈচেলগী তুরেল অমদা চেন্থখি।

তুরেল তোৰ্বান অদুদগী কনাগুম্বা অমনা লৌহৌবা ভিডিও রেকোর্দিং অমনা ওইল তেঙ্কর অদু ঘগ্রা তুরেলগী ঈচেলদা তাওথবা উৎলি অদুগা গারী অদুদা য়াওরিবা মীওই অহুম অদুনা ফিভম অদুদগী নাম্থোক্লবা কন্না হোৎনবা অদুসু উই। ত্রক অদুগী ৱিন্দসিল্ডস য়াওদ্রে।




গারী অদু ঈশিংনা তম্থাই লুপ্পুনা লৈখ্রবসু মদু ঈশিং মথক্তা তাওদুনা লৈবা উই। গারী অদুগী নাকল নাম্মদা হিগোক অমসুং নাপু মচুনা ময়েক অচৌবদা ভারত প্রেট্রোলিয়ম হায়না থাই।

ঈশিংগী ঈচেল অদু য়াম্না কনবনা ট্রক অদু তুরেল তোৰ্বান্দগী লাপ্পা চৎথোকখি অমসুং হেন্না হেন্না মখারোমদা তাওথখি। মদুদা ট্রক অদুগী মনুংদা চপ্পুনা লৈখ্রবা অকিবা পোক্লবা মীওইশিং অদু করম তৌরিবগে হায়বা য়েংননবা তোৰ্বান্দা লৈরিবা মীয়াম্না ট্রক অদুনা তাওথরিবা অদুগা চান্ননা চেল্লগা য়েংখি।

থৌদোক অদুগী পাউ তাবদগী অৱা-তেংবাঙ পীবা টিম অমা মফম অদুদা থুংলখি অমসুং গারী অদুদা য়াওখিবা থিবা খঙদ্রিবা মীওইশিং অদু থিবা-হুম্বগী থবক চত্থরি।

রিজনেল ৱেদর ওফিসনা মথং নুমিৎ নীনি ফাওবা উত্তরখন্দদা য়াম্না কন্না নোং চুরবা য়াই হায়বগী ৱার্নিং তৌখ্রে।

চীংগী ষ্টেট ওইরিবা উত্তরখন্দদগী দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক হান্নদগী হৌনা পাক-শন্না নোং কন্না চুবা হৌখ্রবনি।

# সাউথ অফ্রিকাবু মচেৎ অনী থোক্লা থুগায়নবা হোৎনবা য়ু এস কী ট্রুম্পপু সাউথ অফ্রিকানা চৈখ্রে

***জোহন্নেসবর্গ, আগষ্ট ২৪ ঃ***

সাউথ অফ্রিকাদা অঙৌবা জাৎকী মীওইশিংনা মপু ওইবা ফার্মশিংবু মৎপা অমসুং ফার্মরশিং পাক-চাওনা হাৎপগী মতাংদা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়েংশিনগনি হায়না ট্যুটরদা ফোঙদোকখিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পপু ঙরাং সাউথ অফ্রিকাগী গভর্ণমেন্টনা অকনবা মওংদা চৈখ্রে অমসুং ট্রুম্পনা হায়রিবা ৱাফম পূন্নমক অদু অরানবা ঙাক্তনি লোয়ননা ঐখোয়গী লৈবাক অসিবু মচেৎ অনী থোক্লা থুগাইনবগী অমসুং মখোয়গী কোলোনি ওইরিঙৈ মতম অদু নীংশিংহন্নবগী ফলনি হায়খি।

সাউথ অফ্রিকাদা মীশিং য়ামদবা অঙৌবা জাৎকী মাইনোরিটি গ্রুপ অমনা চহী কয়া নমদুনা গভর্ণমেন্ট পায়দুনা লৈরকখি অমসুং লমদম অসিগী য়েলহৌমী ওইরিবা অমুবা কাঙলুপকী মীওইশিংবু মখোয়গী লম মপু ওইবা য়াহন্দে। অদুগা হৌজিক অদুগুম্বা মথোং চাদবা মতম অদুগী আইন অদু চুমথোক্লবা পুথোক্কদৌরিবা আইনগী ওইবা খোঙথাং, লেন্দ রিফোর্ম অদুগী মতাংদা লৈবাক অসিদা হৌজিক দিবেট তৌনরিবনি।

লৈবাক অসিদা অহানবা দিমোক্রেটিক মীখল অদু পাঙথোকখিবগী চহী সেপ্পুরি মশুং অমরোমগী মতূং, ঙসি অমুবা কুচুগী সাউথ অফ্রিকানশিংনা মপুনবা মীশিংগী চাদা ৮০ রোম ওইরে অদুবু হৌজিকসু অসুক য়ামখ্রবা মীয়াম অসিনা লৈবাক অসিগী লমগী চাদা ৪ খক্তমক্কী মপু ওইবা ঙল্লি হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোক্লি।

মসিগী অহোবা অসি মেনশিন্নবা লৈঙাক পায়রিবা অফ্রিকান নেস্নেল কংগ্রেসনা অচেৎপা ৱাশক থমখ্রবসু থবক্কী খোঙজেলদি তপলি। জুলাই থাদা সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট সিরিল রামাফোসানা লেন্দ রিফোর্মগী প্রোসেস খোঙলৈ থুনা য়াংশিন্নবা কম্পেন্সেসন পীদনা ষ্টেটনা লম লৌশিনবা য়ানবা মহাক্কী পার্টিনা কন্সটিট্যুসন এমেন্দ ওইগনি হায়খি। অদুবু হৌজিক ফাওবা মদু তৌদ্রি লোয়ননা লম লৌশিনবা লৈত্রি।

প্রসিদেন্ট রামাফোসানা মহাক মশাগী সিটিজনশিংদগী মখোয়বু অরানবা কুচুগী মীওইনি হায়বগী মরমগীদমক কম্পেন্সেসন পীদনা লম লৌশিনবা হান্ননা হৌখ্রে হায়না ফোক্স ন্যুজদা হোষ্ট টক্কর কার্লসনবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগী মখা তারকপদা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রুম্পনা মদু মরম চাদবা অমসুং ৱাখল য়াওদবা মওংগী লম লৌশিনবনি হায়খি।

অদুবু সাউথ অফ্রিকাগী গভর্ণমেন্টনা ট্রুম্পকী ৱাফম অদু অরানবা ঈ-পাউদা য়ূম্ফম ওইবনি অমসুং ঐখোয়গী লৈবাকপু মচেৎ অনী থুগাইনবা হোৎনবা খক্তনা পান্দম ওইবা পুচেল পীকপা ৱাখল্লোন অমা উৎথোকপনি হায়খি। ট্রুম্পকী ৱাফমশিং অদু শেংদোকহন্নবগীদমক সাউথ অফ্রিকাগী গভর্ণমেন্টনা য়ু এস এম্বেসিদা ওফিসিয়েলশিংগী মীফম অমা কৌখি।

ঙরাং য়ূমশকৈশগী অথেংবদা ৱাসিংতনদা ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা প্রসিদেন্ট ট্রুম্পকী লোন্দা অদু শেংদোক্লদুনা খরা নেমথহনখি। ষ্টেট দিপার্টকী ৱাঙাংলোইনুপী হিথর নৌরেটনা কম্পেন্সেসন য়াওনা লম লৌশিন্দুনা সাউথ অফ্রিকাবু অরানবা লম্বীদা উখিবা য়াবগী খুদোংথিবা লৈ হায়খি। অদুবু মহাক্না কুচু ঙৌবা সাউথ অফ্রিকান ফার্মরশিং ময়াম অমবু হাৎখ্রে হায়বা মহাক্কী প্রসিদেন্ট ৱাফম অদুদি অমুক হন্না পনখিদ্রে।

য়ূমশকৈশা নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টতা সাউথ অফ্রিকা প্রসিদেন্ট রামাফোসানা লম লৌশিনবা অদুনা লৌউ-শীংউগীদমক লম মরাং কায়না ফংহনগনি অমসুং মদুগী খোঙথাং অদু লন্নাইনা মপু ওইবা লম নত্তবা, গভর্ণমেন্টনা মপু ওইবা লম লৌশিল্লগা হৌগনি হায়খি।

মসি ঐখোয়গী সাউথ অফ্রিকানি, মসি ঐখোয়গী লমনি, মফম অসি ঐখোয়না হিংলিবা মফম অদুনি হায়না রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ লেন্দ রিফোর্ম মিনিষ্টর মাইতে নকৌনা মাশাবানেনা সাউথ অফ্রিকাগী পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এস এ বি সি দা হায়খি।



# শ্রীলঙ্কাদা দ্রগ ওফেন্সশিংগীদমক শিবগী চৈরাক্কী রাই ফংলবা পাকিস্তানি মঙানা মরৈবাক্তা থাখিগদৌরি

***কলম্বো, আগষ্ট ২৪ ঃ***

শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনানা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা দ্রগ ট্রাফিক্কিংগীদমক ঈথৎ লৈবাক অসিদা শিবগী চৈরাক্কী রাই পীরবা পাকিস্তানি নেস্নেল মঙাবু ময়ূমদা থাখিনবা পাকিস্তানগা ৱারী শান্নরগনি হায়খ্রে।

শিবগী চৈরাক পীবগী সেপ্পুরি মখাই অমরোমগী মোরেতোরিয়ম অমা লোইশিল্লদুনা দ্রগ দিলরশিংগী মথক্তা শ্রীলঙ্কানা শিবগী চৈরাক পীবগী থবক চত্থরগনি হায়না প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা ফোঙদোকখ্রবগী থা ১ গী মতূংদা মীওই মঙা অদুবু ময়ূমদা থাখিবগী ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি।

ঐহাক্না পাকিস্তানদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অদুগা ৱারী শান্নদুনা মীওইশিং অদুবু মখোয়গী লৈবাক্তা অমুক হন্না থাখিনবা ৱাফম অদু খন্নগনি হায়না প্রসিদেন্ট অসিনা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা জফনাদা হায়খি।

শ্রীলঙ্কাদা দ্রগ ললোনবা হায়বসি শিবগী চৈরাক পীনিংঙাই ওই। পাকিস্তানি মঙা অদু দ্রগ ওফেন্সশিংগীদমক শিবগী চৈরাক রাই পীরবা মীওই ১৮ গী মনুংদা য়াওবনি।

কনভিক্ট ১৮ অদুনা জেল মনুংদগী দ্রগ লল্লোনবগী থবক অমা চত্থরম্বনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। দ্রগ লল্লোনবগী মরাল হন্না হন্না লৈরবা মীওইশিংবু শিবগী চৈরাক পীনবগী ৱাররেন্টশিং অদু মহাক্না সহি তৌনবা থৌরাং তৌরে হায়না প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা হৌখিবা থাদা মাগী কেবিনেটতা হায়খি।

শ্রীলঙ্কাগী ইকোন কোনবা ফাঁসি তৌদুনা শিবগী চৈরাক পীবা অদু জুন ১৯৭৬ তনি। মদুগী মতূংদগী লৈবাক অসিদা ওইরকখিবা প্রসিদেন্টশিংনা কনভিক্টশিংবু ফাঁসি তৌনবগী দেথ ৱারেন্টশিং সহি তৌ হায়বা য়াখিদবনি।

শিবগী চৈরাক পীবগী মতাংদা শ্রীলঙ্কানা ২০১৬ দা য়ু এন মোরেতোরিয়ম অমদা মেম্বর ওইরক্লবসু প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা শিবগী চৈরাক পীনবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

# সাউথ কোরিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্ককী জেল টার্ম আপিল কোর্টনা চহী ২৫ দা হেনগৎহনখ্রে

***সিয়োল, আগষ্ট ২৪ ঃ***

সাউথ কোরিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্ক জিয়ুন-হায়েবু ২০১৭ দা মশামকপু গভর্ণমেন্ট পায়বদগী তোকহল্লকখিবা অচৌবা করপসন ৱাথোক অমদগী হৌরকপা কেস অমদা আপিলস কোর্ট অমনা জেলদা লৈনরিবা মহাক্কী চৈরাক মতম চহী ২৫ দা হেনগৎহনখ্রে।

অচৌবা কম্পেনি অনীগী মকোক অনীসু জেলদা লৈবগী চৈরাক ফংহনখিবা করপসনগী ৱাথোক অমদা কন্সটিট্যুস্নেল কোর্ট অমনা প্রসিদেন্ট পার্কপু মফম লৌথোকখি অমসুং নমদুনা ওফিস থাদোকহনখিবা মীখলনা খল্লকপা প্রসিদেন্টতা মহাক্না অহানবনি।

সিওল হায় কোর্টনা ৱায়েল চত্থবদা প্রসিদেন্ট পার্কনা মহাক্না মপু ওইবা নন-প্রোফিট ফাউন্দেসনশিংদা শেন থাদনবা অমসুং মহাক্কী মরুপ চোই সূনসিলগী ইমুং মনুংদা তেংবাঙনবা অচৌবা কম্পেনি ময়ামদগী ৱোন বিল্লিয়ন কয়ামরুম লৌনবা মাগী মরুপ অদুগা লৌতুনখি হায়বা ফংখি।

অসিগুম্বা চুমদবা ৱাখল্লোনগী ওইবা পোলিটিকেল পৱার অমসুং ফাইনান্সিয়েল পৱারগী মরক্তা চত্থরিবা থৌওংশিং অসিনা দিমোক্রেসিগী মগুণ মাঙহল্লি লোয়ননা মার্কেট ইকোনোমিদা কাইহল্লকই। অদুগা মীয়ামদা শেন মাঙবগী অচৌবা নুংঙাইতবা অমসুং ঐখোয়গী খুন্নাইদা হকচিন্না থাজদবগী ৱাখল অমা পোকহল্লি হায়না আপিলস কোর্ট অসিগী প্রিসাইদিং জজ কিম মুন-সুকনা মাগী ৱায়েল অদুদা হায়খি।

## GAS TODAY

**Sawombung Indane**
Booking : 30/06/18
Valid : 28/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 24/07/18
Valid : 04/06/18
Sl. No. 21157
Stk : 35

**Manipur Gas**
Booking : 31/05/18
Valid : 30/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**GBD Gas, Lamlong**
Booking : 13/06/18
Valid : 04/06/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Misao Gas**
Booking : 30/06/18
Valid : 23/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 27/05/18
Valid : 22/05/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m
Rate : Rs. 907/-

**K & K Indane**
Booking : 25/07/18
Valid : 26/07/18
Sl. No. 250
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Kanchi Indane**
Booking : 04/07/18
Valid : 03/07/18
Stk : 306/5kg Available
Time : 08.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 306

**সনা-সুদোকু -১২৭০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 | 8 | 9 | 5 | 4 | 7 | 3 | 2 |
| 5 | 3 | 4 | 2 | 7 | 8 | 1 | 9 | 6 |
| 2 | 7 | 9 | 6 | 1 | 3 | 8 | 5 | 4 |
| 8 | 1 | 6 | 4 | 2 | 5 | 9 | 7 | 3 |
| 4 | 5 | 7 | 3 | 9 | 1 | 6 | 2 | 8 |
| 9 | 2 | 3 | 8 | 6 | 7 | 5 | 4 | 1 |
| 3 | 9 | 5 | 1 | 8 | 2 | 4 | 6 | 7 |
| 6 | 8 | 2 | 7 | 4 | 9 | 3 | 1 | 5 |
| 7 | 4 | 1 | 5 | 3 | 6 | 2 | 8 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1271**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | | | | | 9 | | | |
| 2 | | 8 | | 3 | | 7 | | 4 |
| 6 | | | | | | | | |
| | | | | 9 | 7 | | 6 | |
| 9 | 1 | | | | | | | |
| 5 | 4 | | | | 2 | | | |
| | | 3 | | 1 | | | 9 | |
| | | | | | | 3 | 7 | |
| 1 | 2 | | | 4 | 3 | | 8 | |